


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MARCH 27, 2019 **PAGE 7**




*মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈগী মখুত্তা মায়থিহৌরবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকী*

*লাস ভেগসকী টাইটল ফাইটতা মায়থিহৌরবা মতুং মশান্না অসিদগী পোখারে হায়না ফোঙদোকখ্রবা আইরিস মিক্স মার্সিয়েল আর্টস ফাইটর কোনোর মেকগ্রেগোর*

*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ২০১৯*

## কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রাজস্থান রোয়েলসপু রন ১৪ দা থোইখ্রে

*জয়পুর, মার্চ ২৬ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪শুবা মেটচতা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রাজস্থান রোয়েলসপু রন ১৪ দা থোইখ্রে।

রাজস্থান রোয়েলসনা য়ুম্বু ওইদুনা জয়পুরদা লৈবা সৱাই মানসিংহ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৪শুবা মেটচ অসিগী টোস য়ুম্বু টিম ওইখিবা রাজস্থান রোয়েলসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।



*কিংস এলভেন পঞ্জাবগী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

কিংস এলভেন পঞ্জাবনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৮৪ লৌবা ঙমখি। লোকেস রাহুল অমদি খৃস গেলনা ইন্নিংস হৌদোরকখি। টিম অসিগী ওপনর লোকেস রাহুল শুপ্নগী রন ৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা মায়াঙ্ক অগরৱাল অমদি অতোপ্পা ওপনর খৃস গেলনা টিম অসিগী অপুনবা রন ৫০ লাম্হোকহনবা ঙমখি। মায়াঙ্ক অগরৱাল বোল ২৪ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর অমা য়ৈরগা রন ২২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সরফারাজ খানবা ফিভম ফজনা লৈরিবা খৃস গেলগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্শিপ অমা শেমদুনা টিমগী অপুনবা স্কোর রন ১৪৪ য়ৌহল্লকখি।

ওপনর খৃস গেলনা রাজস্থান রোয়েলসকী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৪৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা টিমগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইনা রন ৭৯ লৌরমখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ৱিকেটকিপর নিচোলাস রন ১২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সরফারাজ খানসু বোল ২৯ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৪৬ লৌদুনা লৈখি। ৬শুবা বেটসমেন মন্দিপ সিংহসু আওট ওইদনা রন ৫ লৌরম্বদগী টিম অসিগী অপুনবা স্কোর ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৮৪ লৌবা ঙমখি।

রাজস্থান রোয়েলসনা মায় পাক্নবগী রন ১৮৫ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৭০ খক লৌখিবদগী ৪শুবা লীগ মেটচ অদু কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রাজস্থান রোয়েলসপু রন ১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

রাজস্থান রোয়েলসকী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজখি। টিম অসিগী ওপনর অজিনক্য রহানে বোল ২০ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর জোস বট্টলরসু কিংস এলভেন পঞ্জাবগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৪৩ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৬৯ লৌরমখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সঞ্জু সামসনসু বোল ২৫ মায়োক্লবদা সিক্স অমা য়ৈরগা রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ষ্টেভন স্মিথসু রাজস্থান রোয়েলসকী ইন্নিংস অদুদা রন ২০ হাপচিল্লগা আওট ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা টিম অসিগী অতোপ্পা বেটচমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রাজস্থান রোয়েলসপু রন ১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা সুল্টান অজলান সাহ কপকী পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎখ্রে

*ইপো (মালেসিয়া), মার্চ ২৬ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ২৮শুবা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা হাইগৎখ্রে।



*ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা শান্নখিবা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কীগী মেটচকী শক্তম অমা*

অহানবা ক্কার্টরদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা ক্কার্টর হৌরকপা মিনট অনী চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিটনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন রাহিম রাজিনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

২৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সুমিট কুমারনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ২–১ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৩৬ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা ভরুন কুমারনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লৈখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা মালেসিয়াগী শান্নরোই ফিরহান অসারীনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী ২–৩ দা শোথদুনা লৈখি।

মালেসিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা মতুং মিনট অমা লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মন্দিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সুল্টান অজলান সাহ কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা কানাদানা জপানবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা কানাদাগী শান্নরোই বালরাজ পানেশ্বরনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মিনট অমা লৈরগা জপানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রিয়োসৈ কাটোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা কানাদাগী শান্নরোই জেমস কির্কপেত্রিকনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ রোবিনগী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা পোলেন্দবু ৩–২ দা থোইরমখি। সাউথ কোরিয়াগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু নামিয়োং লিনা ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমদি মাঞ্জে জুংনা শান্নবগী ৫৬ অমদি ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। পোলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ২৮শুবদা জোসেফ হিল্লিয়রনা অহানবা অদুগা ৫০শুবা মিনটতা জাকেক কুরোস্কিনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

## জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভা অমদি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মীয়ামী ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*মীয়ামী, মার্চ ২৬ঃ*

জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভা অমদি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ য়ু এস এগী ষ্টেট ফ্লোরিদাদা লৈবা মীয়ামী গার্দেনদা চথরিবা মীয়ামী ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।



*নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী ক্বিটোভা অমদি রোমানিয়াগী হালেপ*

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দদা ১৯শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়াবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা ক্বিটোভানা ক্কার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ৪–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্বী ১২শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসকী ভেনস ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্কার্টর ফাইনেলদা ১৮শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী ক্যু ৱাংগা লম্বা তৌনরগনি।

চাইনাগী ক্যু ৱাংনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ৱাই ৱাংবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

৫শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা মরিশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২–৬, ৬–৩, ৭–৫ দা থোইরম্লগা ক্কার্টর ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী অতোপ্পা শান্নরোই এম ভোন্দ্রৌসোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

ভোন্দ্রৌসোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী টি মারিয়াবু ষ্ট্রেট সেটতা য়াম্না কোম্না ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২৭শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সুৱৈ অমদি ২১শুবা সিদেদ ইষ্টোনিয়াগী এন্নেট কোন্টাভিয়েট শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী সৈনা ১৩শুবা সিদেদ দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকীবু ৬–৩, ৬–৭(০–৭), ৬–২ দা থোইরম্বনি। অদুগা ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভিয়েটনা কানাদাগী বি এন্দ্রিস্কুগা শান্নবদা অহানবা সেট ৬–১ দা থোইদুনা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেটতসু গেম অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ কানাদাগী শান্নরোই এন্দ্রিস্কু শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী কোন্টাভিয়েট ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## *য়ুরো ক্কালিফায়র ঃ* ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রান্সকা লোয়ননা টর্কিসু মায় পাকখ্রে, পোর্টুগাল অমদি সর্ভিয়া পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে

*পেরিস, মার্চ ২৬ঃ*

য়ুরোপকী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুরো ক্কালিফায়রগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রান্সকা লোয়ননা টর্কিসু মায় পাকখ্রে, পোর্টুগাল অমদি সর্ভিয়া পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখ্রে।

ফ্রান্সনা গ্রুপ 'ঐচ' কী ঙসি শান্নখিবা ক্কালিফায়িংগী মেটচ অমদা আইসলেন্দবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই সামুয়েল উমতিতিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবা লৈখি।



*ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা আইসলেন্দগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৮শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই ওলিভর জিরোদনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। ৭৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোই কাইলিয়ান মবাপ্পেনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা আইসলেন্দবু মায়থিবা পীরমখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা টর্কিনা মোলদোভাবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

টর্কিগী শান্নরোই হাসন আলি কালদিরিমনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ২৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই কেঙ্ক টোসুননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা টর্কিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা বুরাক য়িলমাজনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইহৌখিদে। মিনট অসিমক্তদা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা কেঙ্ক টোসুননা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই কান আইহাননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৪–০ দা মোলদোভাবু থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী মেটচ অমদা পোর্টুগাল অমদি সর্ভিয়া পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল পোর্টুগালনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমদা দুসান টাদিকনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা সর্ভিয়াগী শান্নরোই দানিলো পেরৈরানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী টিম অনীমক ১–১ দা ড্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## ইন্দিয়াগী সট্টলর কার্টিক অমদি প্রনভ ইন্দিয়ান ওপনগী মেন ড্রো য়ৌবা ঙমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৬ঃ*

হয়েংদগী লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা হৌগদৌরিবা ইন্দিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী পাঙথোকপা ক্কালিফায়িং রাউন্দ মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর কারতিক জিন্দালগা লোয়ননা দবলসকী শান্নরোই প্রনভ জেরি চোপ্রা মেন ড্রো য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্কালিফায়িং রাউন্দগী নুপাগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা কার্তিক জিন্দালনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সারাথ দুন্নাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১২, ২১–২৩, ২১–১৯ দা থোইদুনা মেন ড্রো য়ৌখি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্কালিফায়িং মেটচতা প্রনভ জেরি চোপ্রা অমদি সিভন শর্ম্মনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র ভিকাস চৌহান অমদি সন্দিপ চৌধারিবু ২১–১০, ২১–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা মখোয়সু মেন ড্রো য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা কুমজা ২০১৭ গী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মুগধা এগ্রেগা শান্নগনি, অদুগা কুমজা ২০১৫ গী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কিদম্বী শ্রীকান্থনা অহানবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ৱোং ৱিং কি ভিসেন্টকা শান্নরগনি।

### ক্রোসৱার্দ ১১৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | L | L | S | | M | A | L | I | | T | E | S | T |
| E | L | I | O | T | | I | V | A | N | | O | D | O | R |
| F | I | N | G | E | R | N | A | I | L | | M | A | L | E |
| E | V | E | | P | E | T | | R | U | N | A | M | O | K |
| R | E | S | C | U | E | | A | S | C | O | T | | | |
| | | | E | P | C | O | T | | K | N | O | C | K | S |
| T | O | R | N | | H | O | L | D | | O | P | R | A | H |
| A | L | O | T | | O | P | E | R | A | | A | O | N | E |
| C | L | U | E | D | | S | A | I | L | | S | P | E | D |
| H | A | T | R | E | D | | S | P | L | A | T | | | |
| | | | P | L | A | N | T | | E | V | E | N | S | O |
| G | E | N | U | I | N | E | | A | G | E | | O | A | F |
| O | R | A | N | | G | A | R | T | E | R | B | E | L | T |
| D | I | S | C | | E | T | A | T | | T | E | N | S | E |
| S | E | T | H | | R | H | E | A | | S | E | D | A | N |


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Cass No. 131/SDC/IW/Salam of 2019*

Chabungbam Manglembi Devi W/o Ch. Manglemjao Singh of Maklang Makha Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

1. Late Wahengbam ongbi Shadokpi Devi W/o (L) W/ Jatra Singh of Maklang
2. Late Wahengbam ongbi Amurei Devi W/o (L) W. Jatra Singh of Maklang

***- Opposite Parties***

**NOTICE**

*Imphal, the 26th March 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৭৪–মাক্লংগী পাট্টা নং ৭৪/২২২/৩৫৮ অনৌবা দাগ নং ১২১৪/১২৬২ গী এরিয়া .১৯ একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার অনী অসি শিখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারী অনী অসিগী মচানুপী দরখাষ্টকারি অসিনা মহাক্কী মিংদা পাট্টাগী লম অসি পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগী লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্ত কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/BILL(L)/27



COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 25th March, 2019

No.2/64/97-HSC(Pt-I): It is hereby, notified for information to all the concerned Associate Professors/Assistant Professors/Senior Lecturers/Lecturers appointed as Head Examiner/Assistant Head Examiner/Examiner of the following subjects of the Higher Secondary Examination, 2019 that a Subject-wise Group Discussion Session on Evaluation of Answer Scripts shall be held on Monday the 1st April, 2019 from 9.00 a.m. to 12.00 noon in the premises of the T.G. Higher Secondary School, Imphal (Group-A)and Council Office at Babupara, Imphal (Group-B).

In the said Group Discussion Session the process for using OMR Sheet as well as an exhaustive discussion on the scoring key of the subjects concerned shall also be discussed. Therefore, all the concerned are requested to participate in the Group Discussion Session and evaluation process in time.

Further, it is also informed to all the concerned that the evaluation process shall be followed just after the Group Discussion Session on the day itself.

GROUP-A
(T.G. HIGHER SECONDARY SCHOOL)

| SL.NO. | SUBJECT | SL.NO. | SUBJECT |
|---|---|---|---|
| 1 | English | 14 | Economics |
| 2 | Alternative English | 15 | Sociology |
| 3 | Manipuri (MIL) | 16 | Geography |
| 4 | Paite (MIL) | 17 | Accountancy |
| 5 | Thadou Kuki (MIL) | 18 | Business Studies |
| 6 | Tangkhul (MIL) | 19 | Physics |
| 7 | Hmar (MIL) | 20 | Chemistry |
| 8 | Zou (MIL) | 21 | Biology |
| 9 | Elective English | 22 | Computer Science |
| 10 | Elective Manipuri | 23 | Home Science |
| 11 | Political Science | 24 | Biotechnology |
| 12 | History | 25 | Anthropology |
| 13 | Education | 26 | Mathematics |

GROUP-B
(COUNCIL OFFICE BUILDING)

| SL.NO. | SUBJECT | SL.NO. | SUBJECT |
|---|---|---|---|
| 1 | Engineering Drawing | 10 | Kom (MIL) |
| 2 | Geology | 11 | Mao La (MIL) |
| 3 | Music | 12 | Mizo (MIL) |
| 4 | Philosophy | 13 | Nepali (MIL) |
| 5 | Physical Health Education & Sports | 14 | Ruangmei (MIL) |
| 6 | Psychology | 15 | Vaiphei (MIL) |
| 7 | Statistics | 16 | Elective Bengali |
| 8 | Bengali (MIL) | 17 | Thang Ta |
| 9 | Hindi (MIL) | | |

Those examiners who could not submit their acceptance in time are also requested to report to the concerned Head Examiner for participation in the Group Discussion Session and evaluation process.

*Sd/-* (Ch. Biren Singh)
Secretary
Council of Higher Sec. Edn. Manipur
Imphal, the 25th March, 2019

*SL/BILL/27*